# ওলেম্পিক্কী সনাগী মেদল অনী মুনবীখিবা জিম থোর্প

—লৈশাংথেম অজিৎ—

***য়ুনাইটেদ*** ষ্টেটস ওফ অমেরিকাগী পেনসেলভানিয়া ষ্টেটতা জিম থোর্প কৌবা অপীকপা সহর অমা লৈ। সহর অসিগী মমিং হান্নদি 'মাওচ-চনুক' কৌরম্বদগী কুমজা ১৯৫৩ দগী অনৌবা মমিং অসি থোনখিবনি। সহর অসিগী মমিং জিম থোর্প হায়না থোনজগে, মহাক্কী থৱায় য়াওদ্রবা হকচাং অদু সহর অদুদা ফুন্থীয়ু হায়না সহর অদুদা খুন্দারিবশিং অদুনা হায়জবদগী জিম থোর্পকী ইমুং মনুংগা য়ানবা অমদগী য়ূমথংনবা ষ্টেট ওক্লাহোমাদা পোকখিবা মথৌনা লৈবা নুপা অসি ন্যু য়োর্ক সহরদগী কিলোমিটর ১৬১ চৎলগা লৈবা মফম অসিদা ফুমখি। মহাক্কী মোঙফম অদুগী মথক্তা ওক্লাহোমদগী অমসুং ষ্টোকহলম ওলেম্পিক ষ্টেদিয়মদগী পুরকপা লৈবাকশিং হাপখি অমদি নীংশিং খুভম অমা শাখি। নীংশিং খুভম অদুদা মহাক্কী পুন্সিগী ৱারী ইদুনা অমদি মহাক্না চেন চোঙদুনা হুন্দুনা লৈবগী ফীভমশিং শাদুনা থমই। মোংফম অদু য়েংবা লাকপা মীওইশিংনা ওলেম্পিক্কী সনাগী মেদল অনী ফংখিবা রেদ ইন্দিয়া মচা অসিগী মতিক মগুণশিং অদু থাগৎতবা ঙমখিদে অমদি ইন্টরনেসনল ওলেম্পিক কম্মিটিনা মহাক্কী সনাগী মেদল অনী অদু মঙোন্দা মরাল অমা শিজিল্লগা মুনখিবা অদুগী মতাংদা মহাক্কীদমক অৱাবা নুঙাইতবা পোকখি।

মহাক্না কুমজা ১৯১২ দা সুইদেনগী কোনুং ষ্টোকহলমদা পাঙথোকখিবা ৫ শুবা ওলেম্পিক গেমসদা দেকাথলোন অমসুং পেন্তাথলোন অনীমক্তা সনাগী মেদল ফংবা মতমদা সুইদেনগী নিংথৌ মঙাশুবা গুস্তাভনা ঙক্লম্মী, নিংথৌ অদুনা মঙোন্দা মনা পীবা মতমদা 'সার নহাক মালেমদা খ্বাইদগী চাউবা এথলেটনি' হায়রম্মী। দেকাথলোন্দা মহাক্কী খ্বাইদগী নক্লবা লম্বা সুইদেনগী হুগো-ৱিজলেন্দরদগী পোইন্ট ৬৮৩ হেন্দুনা মালেমগী অনৌবা রেকোর্দ থমখি। রেকোর্দ অদু চহী ১৫ থুগাইবা ঙমখিদে।

পেন্তাথলোন্দা মহাক্না হীরম মঙাগী মনুংদা মরি মকোক ওইখি। পেন্তাথলোনগী থৌরমশিংদি লোঙজম্প, তা লংবা, মিটর ২০০ গী লমজেল, দিস্কস অমসুং মিটর ১৫০০ গী লমজেলনি। থৌরম অসি ওলেম্পিক গেমসগী থৌরমদগী কুমজা ১৯২৪ গী মতুংদগী লৌথোকখি। দেকাথলোন্দা থৌরম তরাদা অথোই অহেন তান্নবদা মহাক্না থৌরম মরিদা মকোক ওইখি, অনীদা অনীশুবা অমদি থৌরম মরিদা অহুমশুবা তাদুনা পূন্না পোইন্ট ৬৫৬৪ ফংদুনা মালেমগী রেকোর্দ থমখি।

জেমস-ফ্রান্সিস-থোর্প কুমজা ১৮৮৮ গী মে থাগী ২৮ দা পোকই। মহাক্কী অশেংবা মমিংদি ৱা-থো-হক কৌই। মহাকপু ব্রাইথ-পাথ হায়না অয়াম্বনা খঙনৈ। রসিয়াগী নিংথৌ জার-নিকোলসনা মনিমুক্তা হকপা গ্লাস অমা পেন্তাথলোন্দা মকোক ওইবগী মনা ওইনা পীরম্মী। সুইদেনগী নিংথৌ মঙাশুবা গুস্তাভানা শেঞ্জেংনা শাবা মহাক্কী (নিংথৌগী) মখ্বাং ফাওবগী শক্তম অমা খুদোল ওইনা পীরম্মী।

ওলেম্পিক গেমসদগী মায় পাক্না হল্লকপদা লৈবাক্কী অকনবা থৌনা লৈবা নিপা অমদা উৎপা য়াবা ইকায়খুম্নবা অদু উত্তুনা ন্যু য়োর্ক সহরদা তরাম্না ওক্লম্মী। সনাগী মেদল অনী অসিনা জিম-থোর্প অমসুং য়ু এস এগী লেংদ্রবা মিংচৎ পুরকখি অদুবু সনাগী মেদল অনী অসিগী ৱাথোক্তা মহাক্কী মপুন্সি কোন্নখি।

ওলেম্পিক লোইরবা মতুংদা কনাগুম্বা খরনা জিম-থোর্প শেল লৌদুনা কুমজা ১৯০৯ অমসুং কুমজা ১৯১০ দা বেজবোল শান্নবদা শরুক য়াই হায়না পাউচেশিংদা ফোঙলক্লম্মী। শেনফমদি হাপ্তা অমদা দোল্লর ২৫০ নি। ওলেম্পিক্কী কাঙলোন্দা গেমস অসিদা শরুক য়ারিবা খুদিংমক অমেচর ওইগদবনি। প্রোফেসনেল ওইরোইদবনি হায়বদি শান্নবদা শরুক য়াবগীদমক পৈশা লৌবা য়াদে। মরম অদুনা মহাক্না অমেচর এথলেটিক্স য়ুনিয়ন, অমেরিকাগী খ্বাইদগী চাউবা এথলেটিক্সপু অশিন অরাং তৌরিবা লূপ অসিগী চ্যেরমেন জেমজ ইং সুল্লিভান্দা মহাক্না তৌরুরিবা থবক অদু য়াম্না অরানবনি হায়বা খঙদদুনা তৌরুবনি। মদুদা ঙাকপীনবা হায়জবদা তাবিরমদে।

মঙোন্দা শিরিবা মরাল অদুনা ইন্টরনেসনল ওলেম্পিক কম্মিটিনা মহাক্কী সনাগী মেদল অনী অদু অমসুং মঙোন্দা পীখিবা মনা মথুমশিং অদু অমসুং মঙোন্দা পীখিবা মনা মথুমশিং অদু অমুক হন্না লৌশিনখি। মনাশিং অদু পেন্তাথলোন্দা অনীশুবা তাখিবা ফর্দিনান্দ-বী অমসুং দেকাথলোন্দা অনীশুবা তাখিবা হুগো-ৱিজলেন্দরদা ইন্টরনেসনল ওলেম্পিক কম্মিটিনা শিন্নরকপা মতমদা লৌশিল্লু হায়বা য়াখিদে হায়নৈ। অদুবু রেকোর্দ বুকশিংদদি মখোয় অনীবু মাগী মাগী থৌরমশিংদা মকোক ওইরে হায়না ইশিন্দুনা জিম থোর্পকী মমিং ককথৎখি।


ওলেম্পিক্কী মেদল হন্দোকখ্রবা মতুংদা মহাক প্রোফেসনেল, শেল লৌদুনা খুনেক ওইনা অহানবদা ন্যু য়োর্ক জিয়েন্ট হায়বা টিম অদুগী ওইনা মথংদা সিনসিনোট রেদ টিমগী বেজবোল কুমজা ১৯১৯ ফাওবা শান্নবদা পৈশা য়াম্না ফংলম্মী। মহাক কান্তন বুলদোগ কৌবা টিম অমদা য়াওদুনা চহী ৪১ শুবা ফাওবা অমেরিকান (ষ্টাইল) ফুটবোল শান্নরম্মী। প্রোফেসনেল ওইনা মশান্নশিং অসিদা শরুক য়ারবা মতুংদা অৰেবা শেল মখৈ লোয়থোক্তুনা য়াম্না ৱানা য়ু থক্তুনা লেনখি।

মতম অদুদা মালেমদা 'দিপ্রেসন' লৈবা মরম্না শেল থুমগী ফীভম ফৎলমদে অমদি থবক ফংবদা য়াম্না ৱানা থোক্লম্মী। মীনা হায়নবদি মহাক হৈকোলদা হৈখুনবগী থবক তৌদুনা চয়োলদা দোল্লর মরি খক ফংলম্মী। অঙাংশিংগী শান্নফম অমদা ইনষ্ট্রক্টর ওইরমখি। মতুংদা চৌকিদার ওইনা থবক তৌরমখি।

মহাক হোলিৱুদনা রোল মচা মচা পীদুনা ফিল্ম কুমহল্লম্মী, অয়াম্বা মতমদা রেদ ইন্দিয়ানগী চীফ শাহল্লি। মহাক্কী পুন্সিগী মরমদা 'জিম থোর্প-ওল অমেরিকান' কৌবা ফিল্ম অমা বর্ট-লানকেষ্টরনা কুমহন্দুনা পুথোকখি। মহাক্কী মরমদা নমখিবা অতোপ্পা ফিল্ম অমনা 'দি মেন ওফ ব্রোঞ্জ' নি।

ইন্টরনেসনল ওলেম্পিক কমিটিনা জিম থোর্পকী সনাগী মেদল অনী মুনখিবা অসি পাউচে ইবশিংনা য়াম্না নুঙাইরমদে। মখোয়না মসিগী মরমদা ইন্টরনেসনল ওলেম্পিক কমিটিদা ৱাকৎচে অমা থাঙ্গৎপদা থওইনা তাখিদে। মখোয়গী মরক্তগী রোবার্ট হুৱিল কৌবা নুপা অমনা জিম-থোর্প ফাওন্দেসন অমা লিংখৎতুনা মসিগী মরমদা হোৎনখি।

মহাক্কী ৱার্কতি ষ্টোকহলম ওলেমিপক্কী রুল মতুংইন্না কনাগুম্বা নুপা অমনা শেল লৌদুনা শান্নবা য়াওরম্লবদি মহাক্কী মায়োক্তা নুমিৎ ৩০ নি ফাওবগী মনুংদা ৱাকৎচে পীগদবনি অদুবু জিম থোর্পকী মতাংদদি আই ও সীদা ৱাকৎচে অদু ওলেম্পিক লোইখিবা থা তরুক্কী মতুংদা পীশিনখিবনি।




মহাক রেদ ইন্দিয়ননি। সেক অমসুং ফোক্স কাঙলুপনি। মপাদি আইরিসকী ঈ খরা চঙই। মমানা ফ্রেন্স খরা চঙবী পোতাৱটোমী অমসুং কিকাপু ইন্দিয়ননি। কুমজা ১৯৫২ দগী কুমজা ১৯৭২ ফাওবা আই ও সীগী প্রসিদেন্ট ওইখিবা অমেরিকাগী অভেরি-ব্রুন্দেজ মহাক্না কুমজা ১৯১২ গী ষ্টোকহলম ওলেম্পিক অদুদা পেন্তাথলোন অমসুং দেকাথলোন্দা শরুক য়াখিদবা পেন্থাথলোন্দা তরুকশুবা পোজিসন ফংখিবা অমদি দেকাথলোন্দা লোয়নমক য়াওবা ঙমদনা তোকখিবা নুপানি।

অঙকপদি মহাক জিম থোর্পকী ৱাকৎ অদু মনাদা হাপখিদে। ইন্টরনেসনল ওলেম্পিক কমিটিনা মহাক্কী মথক্তা থম্বা অথিংবা অদু কুমজা ১৯৮২ গী ওক্টোবর ১৩ দা লৌথোক্তুনা মহাক শিরবা মতুংদা কায়নথংদা অমেচর অমা ওইবগী ষ্টেটস অদু হঞ্জিনহনখি। মহাক্কী মমিং ওলেম্পিক্কী রেকোর্দ বুকশিংদা অমুক ইশিনখি। দেকাথলোন অমসুং পেন্তাথলোনগী ফল অমুক হন্না শেমদোকখি।

কুমজা ১৯৮৩ গী জান্যুৱারী ১৮ দা আই ও সীগী প্রসিদেন্ট ওৱান এন্তোনিয়ো সমারানচনা মহাক্কী সনাগী মেদল অনী অদু মহাক্কী মচা মশুশিংদা শিন্নখি। মতম অদুদা মহাক শিখিবা চহী কুন্থ্রা শুরে।

# শজিবু চৈরাওবা

– মোইরাংথেম তুনান, বাবুপড়া –

***চহী*** খরসি চৈরাওবা মকোক ঙাওরক্লি। মালেমগী খোঙচৎতা পাবা সোলর ইয়র অমসুং থাগী খোঙচৎতা পাবা লুনার ইয়র অনীসিগী মরমদা কন্না নৈনরক্লি। খরনা সোলর ইয়রগী মতুং ইন্দুনা শজিবুগী নোংমা চনবদা চহী হৌদুনা চৈরাওগদৌবনি হায়, অদুগা খরমনা লুনার ইয়রগী মতুং ইন্দুনা নোংমা পানবদা চহী হৌদুনা চৈরাওগদৌবনি হায়। মান্নদবী অনী থোকপী নৎত্রগা ময়াম থোকপী হায়বসি মালেমগী লায়না লাইচৎনি। চৈরাওবা অনী থোক্লকপদা অঙকপদি পোকত্রবসু মান্নদবগী লায়নাসিদি পকহঞ্জনীংদে।

করিগুম্বা মার্করি অমসুং ভেনস প্লানেটকুম্না মালেমগীসু সেটিলাইট (থা) অমত্তা লৈরমদ্রবদি লুনার ইয়র হায়বমা লৈরম্লোই। জুপিটরগীগুম্না থা ময়াম অমা লৈরম্মবদি লুনার ইয়রগী ৱাফমসি লৈরম্মোই। জুপিটরগী থা ৬৭ খক লৈ হায়। থানা মালেমগী অকোয়বদা কোয়বদা চঙলিবা নুমিৎ মশীংগা মালেম্না নুমিৎকী অকোয়বদা কোয়বদা চঙলিবা নুমিৎ মশীংগা চহী অমগী ওইনা চপ মান্নরম্মবদি চৈরাওবা অনী থোক্লম্মোই। মালেমগী ওর্বিট অসি খরা খুরমদুনা নুমিৎ ৩৫৪ না চহী শারম্মবসু ৱানাইরম্মোই।

ইন্দিয়া মশাগী ওইনা সোলর ইয়রদা চৎনরবসু মফম কয়ামরুমদা তোঙান তোঙানবা কাঙলুপ্না নবরে, পগাদি, ছেত্তিচান্দ, চৈত্রশুক্লাদি অসিনচিংবা হায়দুনা চহী হৌবগী থৌরম শজিবুগী নোংমা পানবা নুমিৎতা পাঙথোক্লরি। নিংথৌরেন বিক্রমাদিত্যগী মতমদগী হৌদুনা বি সী ৫৭ তগী সংবত (সম্বত) হায়না চহী হৌনরক্লি। মসিসু শজিবু নোংমা পানবদা থৌরম পাঙথোকই। নোংজা ২১/৩/১৫ কুমজা শজিবুগী নোংমা পানবা থাংজ নুমিৎতা 'বিক্রম সম্বত' য়ু পিগী লক্ষ্নৌনচিংবদা পাকশন্না হিন্দুগী ন্যু ইয়র (নব বর্ষ) গী থৌরম পাঙথোক্লখি।

থানা মালেমগী অকোয়বদা কোয়বদা মালেম্না লেংদনা লৈরম্মগদি নুমিৎ ২৭ পুং ৭ মিনিট ৪৩ গুম্বদা মপূং ফাগদৌবদু নুমিৎ ২৯.৫৩০৫৮৭ গুম্বদা চাওরাক্লা নুমিৎ 29½ গুম্বদা মপূং ফানা অমুক্লক কোয়। থা ১২ না চহী অরিবসি থাগী খোঙচৎতগী পারবদি নুমিৎ 29½ x 12. = 354 তমক শুই। মসি চহী ফাদে, নুমিৎতা ১১ গুম্বা ৱাৎলি। অদুনা চাউরাকপা থা 32½ গুম্বদা থা ১ হাপচিল্লি। মদুবু থানন্নবা (Intercalary month, মলমাস) হায়না কৌই। করিগুম্বা চহীদদি থা ১৩ না চহী শাই।

ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকী য়াথং অমগী মতুংইন্দুনা (কুমজা ১৯৫৭ কী মার্চ ২২ দা থোকখিবা) বাংলা কুমজা ১৩৬৩ গী চৈত্র ৮ বু চৈত্র ১ শকাব্দ ১৮৭৯ হায়না শেমদোক্তুনা চৎনরকখি। অদুনা সোলর ইয়রগী নুমিৎতা মশীং অদু তাননবা অহৌবা থা বৈশাখতগী ভাদ্র ফাওবা অহানবা থা ৫ নুমিৎ ৩১ নিনা থা শাই, আশ্বিনদগী ফালগুন ফাওবা থা ৬ অসিনা নুমিৎ ৩০ না থা শাই। অদুগা অরোইবা থা চৈত্রদি নুমিৎ ৩০ না, লিপ ইয়রদনা ৩১ না থা শাই। নোংচুপলোমগী গ্রেগরিয়ান কেলেন্দরগা মসিগা চহীগী মতম মান্নদে।

চাউরাকপা নুমিৎতা ৩৬৫ পুং ৫ মিনিট ৪৮ সেকেন্দ ৪৭ না চহী অমা শাই। মদু নুমিৎ ৩৬৫.২৪২২১৮ গুম্বনি। চম্না নুমিৎ ৩৬৫ গা পুং ৬ না চহী শাই। হায়রিবসি নিংথৌরেন সিজারনা নোংচুপ লৈবাক্তা হৌদোক্লম্মী। অদুবু ১৬ শুবা চহী চাদা সিজারগী নুমিৎ ৩৬৫ গা পুং ৬ (৩৬৫.২৫) না চহী শাবসি লাল্লে হায়বা খঙনরকখি। নুমিৎ ৩৬৫.২৫-৩৬৫.২৪২২১৮ = .০০৭৭৮২ হেনজিন্না পাশিল্লে। চহী ৪০০ দদি .০০৭৭৮২x ৪০০ = নুমিৎ ৩.১১২৮ হেনজিল্লে। অদুনা চহী ৪০০ গী মনুংদা লিপ ইয়র ১০০ লৈগদবদু ৯৭ খক্তমক লৈহল্লি। মসিগী মওংসি রোমগী পোপ গ্রেগরিনা হৌদোকপীরম্বনি। হৌজিকসু চৎনরি। কুমজা ১৫৮২ দগী রোমান কেথলিক লৈবাকশিংদা পোপ গ্রেগরিনা চুমথোক্লবা চহী পাবগী মওং অদু লৌদুনা চুমথোক্লরকখি। ইংলেন্দদদি কুমজা ১৭৫২ দা নুমিৎ ১১ নি ৱাৎলে হায়দুনা চহীসিগী সেপ্টেম্বর ৩ গী মহুৎতা সেপ্টেম্বর ১৪ (১১ + ৩) হায়না পাদুনা চুমথোরকখি। অদুম হায়না কুমজা ১৮৭৩ দা জপান, কুমজা ১৯১২ দা চীনা, কুমজা ১৯১৮ দা রসিয়া, কুমজা ১৯২৭ দা টুরস্ক লৈবাক্লচিংবা মথং মথং চুমথোক্লরক্তুনা চৎনরকখি। হৌজিক্তি লৈবাক অয়াম্বদা চৎনরক্লে।

ইংলেন্দদদি চহী অমবু সিজন ৪ থোক্না খাইদোকই। ইন্দিয়াদনা ঋতু ৬ থোক্না খাইদোকই। সিজন নৎত্রগা ঋতু খাইরিবসি থাগী খোঙচত্তগী নত্তে, মালেমগী খোঙচৎতগী পারগা খাইবনি। ঋতুগী মতুংইন্দুনা মতম মতমগী লৈশাৎলি, মপান শাই, মহৈ-মরোং পাল্লি। পুং ২৪ না নোংমা শারিবসিসু মালেমগী খোঙচৎকা মরী লৈনৈ, থাগী খোঙচৎকদি মরী লৈনদে। সিজন নৎত্রগা ঋতুগুম্না মীতৈগী চহী অমবু পন্থা ৮ থোক্না খাইদোকই। মখোয় অদুদি - য়েন্নিং পন্থা, ওলাংথা, নোংজু পন্থা, লৌরোক পন্থা, খোংগং থা (তু, খোং খোংবান্নচিংবা কংশিল্লকপা মতম), ইকং থা, নিংথম থা, নাকেন পন্থা (অশিৎ অৱান থা) অসিনি। পন্থাসু মালেমগী খোঙচৎকা মরী লৈনৈ।

ইন্দিয়ন ষ্টেন্দর্দ টাইম (আই এস টি) এলাহাবাদ ফাওদুনা চৎলিবা ৮০° লোংগিচ্যুদতগী পাবনি। ইম্ফালগী লোংগিচ্যুদনা ৯৪° গুম্বা ওইবনা মসিগী লোকল টাইম অসিনা মিনিট ৫৬ (১৪ x ৪) গুম্বা ঙনখৎলি। নুমিৎ থোকপসু তাবসু মিনিট ৫৬ গুম্বা হাল্লি অদুগা নুমিৎ য়ুংবা অমসুং নোংয়াইসু মিনিট ৫৬ গুম্বা হান্না ওই। অদুনা নুমিৎ য়ুংবা মমাঙ লাইথৌ তৌগে হায়রবদি আই এস টি (ঘড়ী) গী পুং ১২ তাগদবা মিনিট ৫৬ মমাঙদা পাঙথোক্কদৌবা ওই।

মীতৈগীদি নুমিৎ থা পাদুনা চৎনরকই। লমতা থাংজদা শরোই খাংঙি। হৈচক, হয়াচক, খুনুংচক, লাংবচক হায়দুনা চক ৪ লৈ। মখোয়সি শরোই খাংবগসু মরী লৈনৈ হায়। ইনিংথৌশিংনা কোনুংদা উত্রা শঙলেন লিংবিরম্মী, লোইশঙ কয়ামরুমসু খাইনা খাইনা লিংবিরম্মী। কোংবা লৈথোং ফাৎপা শজিবু লৈখুন ফুনবগী লাইথৌ অসিসু শজিবু চৈরাওবগা মরী লৈনৈ হায়। নোংমৈবুংদা চুক (য়ূন্থী) য়ুংঙগা নুমিৎনা থোরকপদা তাবা মমি অমসুং তারকপদা তাবা মমি য়েংদুনসু চৈরাওবগী নুমিৎ লেপ্পী হায়। মরী লৈনবা লোইশঙগী অখঙ অহৈশিংনসু নুমিৎ থা পাদুনা চৈরাওবগী নুমিৎ লেপ্পী হায়। মতম অদুগী পানাশিংদা লৈবা অখন্নবা মীওইশিংদা থৌগাই পুহন্দুনা চৈরাওবা তাবা নুমিৎ অদুগী পাউ লৈবাক্তা চেনথোকহল্লম্মী হায়। চপ মান্নবা নুমিৎতা লৈবাকপুম্বা চৈরাওনরম্মী। লৈরি, নোংদমলৈ, খোংগুনমেলৈ, মখল মখলগী উরৈ, কোম্বীরৈনচিংবা চৈরাওবা মতমদতা মহৌশাগী ওইনা শাৎপা লৈশিংতবু চৈরাওবদা লাইদা কৎনৈ। অপোম্বা লৈ লাইদা কৎনদে। শজিবু নোং চনবদা চৈরাওবগী নুমিৎ অসি এপ্রিলগী নোংজা ১৩ নৎত্রগা ১৪ দা তাগল্লি। নুমিৎ অসিমক্তদা ম্যান্মার, কোম্বোদিয়া, থাইলেন্দনচিংবা নোংপোকলোমগী লৈবাকশিংদসু চহী হৌবগী থৌরম পাঙথোক্লে হায়।

ইবুথৌ পাখংববু 'লোইদাম থাজ পাখংবা' হায়না থাজগা পাংখক ওইনা মিংখৈনি। নুমিৎকা পাংখক ওইবা সনামহী লাইনিংথৌগী মিংখৈরোন্দা 'নোংখোং কোয়বা অঙম্বা' হায়না য়াওরি। অদুনা সনামহীনা নোংখোং কোয়বা পাখংবনা ফানখোং কোয়নবগী ৱারী অসিবু নোংমা চনবদা চৈরাওবগা মরী লৈনরে। মমাঙঙৈদা লৈবাক পূম্নমক নুমিৎনা মালেমগী অকোয়বদা কোয় হায়না লৌনরম্মী। ইটালিগী সাইন্টিষ্ট গেলিলিও গেলিলীনা মদু নত্তে, "The earth rotates round the sun." মালেম্না নুমিৎকী অকোয়বদা কোয় হায়না পুথোকপীরম্বনি। হৌজিক্তি নুমিৎ অসি লেংদনা লৈ হায়বা খঙনরবসু নুমিৎনা নোংপোকলোমদগী থোরকই হায়না অদুম হায়নরি।

মমাঙঙৈদা শজিবুগী নোংমা পানবদা চৈরাওই হায়বসি শুক্তা তাজরক্তে। হোলিদে লিষ্টতসু য়াওরমদে। হয়িং খোংবান্দা সনামহীগী টেম্পল লৈরবা মতুংদা মীওই খরনা মফম অসিদা মীফম ফম্মগা নোংমা পানবদা চৈরাওগদৌবনি হায়বগী ৱারেপ লৌখি। মখোয়না খল্লিবদি লৈবাক পূম্নমক চহীগী অহৌবা থাগী অহৌবা নুমিৎতগী চহী হৌনৈ। অদুনা মীতৈগী অহানবা থা শজিবুগী অহানবা নুমিৎ নোংমা পানবদা চৈরাওফম থোকই হায়বসিনি। মখোয়না শজিবুগী নোংমা চনবগী ৱাফমদি নীংশিংবিহৌদ্রে। মদু সোলর ইয়রগী অহানবা নুমিৎনি হায়বসু নীংশিংবিহৌদ্রে। জান্যুৱারীগী নোংজা ১ সি থাসিগী নোংমা পানবদু নত্তে। ইন্দিয়াগী ওইনসু বৈসাখ ১ (পোইলা বৈশাখ) অসি বৈশাখকী নোংমা পানবদু নত্তে, নোংমা চনবা অহানবা নুমিৎনি। অদুনা মীতৈনা শজিবুগী নোংমা চনবদা চৈরাওরিবসি মরম চাই।

মীতৈগী শজিবু চৈরাওবদা ময়াংগী চড়ক পুজা থাংজিল্লক্তুনা চমম্নহল্লি। চড়ক পুজাদি চহী লোইবগী লাইথৌ অমসুং কুম্মৈগী ওইবা থৌরমনি, চৈরাওবনা চহী হৌবগী লাইথৌনি, কুম্মৈদি য়াওদে। থৌরম অনীসি শুকমান মান্নদে। হৌজিক অমুক গৌড়গী চৈরাওবগা হায়জিন্দুনা অমুক্না হেন্না চমম্নহল্লক্লি। হান্না অমুক্তা তানদ্রিবা ৱা ঙাক্তা পুশিনবিরক্লিবসিদি হাকমল্লি।

শজিবু নোং চনবা অমসুং নোংমা পানবগী খেন্নবা নুমিৎ মশীং খরা মখাদা পীজরি -

| | |
|---|---|
| কুমজা ২০১১ - | নোংজা ৪/৪/১১ কুমজা শজিবু নোংমা পানবা (খেন্নবা নুমিৎ মশীং) |
| | নোংজা ১৪/৪/১১ কুমজা শজিবু নোংমা চনবা ১১ |
| কুমজা ২০১২ - | নোংজা ২৩/৩/১২ কুমজা শজিবু নোংমা পানবা |
| | নোংজা ১৩/৪/১২ কুমজা শজিবু নোংমা চনবা ২২ |
| কুমজা ২০১৩ - | নোংজা ১১/৪/১৩ কুমজা শজিবু নোংমা পানবা |
| | নোংজা ১৪/৪/১৩ কুমজা শজিবু নোংমা চনবা ৪ |
| কুমজা ২০১৪ - | নোংজা ৩১/৩/১৪ কুমজা শজিবু নোংমা পানবা |
| | নোংজা ১৪/৪/১৪ কুমজা শজিবু নোংমা চনবা ১৫ |
| কুমজা ২০১৫ - | নোংজা ২১/৩/১৫ কুমজা শজিবু নোংমা পানবা |
| | নোংজা ১৪/৪/১৫ কুমজা শজিবু নোংমা চনবা ২৫ |
| কুমজা ২০১৬ - | নোংজা ৮/৪/১৬ কুমজা শজিবু নোংমা পানবা |
| | নোংজা ১৩/৪/১৬ কুমজা শজিবু নোংমা পানবা ৬ |
| কুমজা ২০১৭ - | নোংজা ২৯/৩/১৭ কুমজা শজিবু নোংমা পানবা |
| | নোংজা ১৪/৪/১৭ কুমজা শজিবু নোংমা চনবা ১৭ |

নুমিৎ ২০ দগী হেন্না খেন্নবা চহীশিংদা লৈ শাৎখিদে।

মখাগী অসিমুক য়েংবিয়ু -

১। ৪/৪/১১ কুমজাদগী ২৩/৩/১২ কুমজা ফাওবা নুমিৎ - ৩৫৫
২। ২৩/৩/১২ কুমজাদগী ১১/৪/১৩ কুমজা ফাওবা নুমিৎ - ৩৮৪
৩। ১১/৪/১৩ কুমজাদগী ৩১/৩/১৪ কুমজা ফাওবা নুমিৎ - ৩৫৫
৪। ৩১/৩/১৪ কুমজাদগী ২১/৩/১৫ কুমজা ফাওবা নুমিৎ - ৩৫৬
৫। ২১/৩/১৫ কুমজাদগী ৮/৪/১৬ কুমজা ফাওবা নুমিৎ - ৩৮৫
৬। ৮/৪/১৬ কুমজাদগী ২৯/৩/১৭ কুমজা ফাওবা নুমিৎ - ৩৫৫

করিগুম্বা চহীদনা নুমিৎ ৩৫৫ না চহী শাই, করিগুম্বদনা ৩৮৪ নৎত্রগা ৩৮৫ না চহী শাই। মসি মরিং মরাংনবগুম তৌই।

কুমসিগী ওইনা নোংজা ১৪/৪/১৭ কুমজা ইরাই নুমিত্তা শজিবু চৈরাওবা নুমিৎ থোকখি। নুমিৎ অসিনা নুংশি চান্নবা হায়বদু পুবিরক্তুনা মীপুম খুদিংমক্তা য়েনবিরম্বা ওইরসনু।